

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, JANUARY 20, 2018 PAGE 7




*টর্কিদা পাঙথোকখিবা স্কিয়িং ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পুরারীদা নুপীনা অহানবা মেডল ফংবগী রেকোর্দ থমখ্রবা মতুং ওলিম্পিক্কী মেডল ফংনবা মায় ওনশিল্লিবী অনচল থাকুর*

*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিলথাদুনা চংলিবা মেঞ্চেষ্টর সিটি ফুটবোল ক্লবকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইনা মখা তানা ক্লব অসিগা চহী ২ গী কন্ট্রেক্ত য়ান্নখ্রবা ব্রাজিল মচা ফর্নান্দিনো*

## জিম্বাব্রেবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম ৱাৰ্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং গ্রুপ অদুগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে



*জিম্বাব্রে থোইবদা আওট ওইদনা বোল ৫৯ দা রন ৯০ লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বেটস্‌মেন সুবমান গিল*

*মাউন্ট মোনগানুই, জনুৱারী ১৯ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা আইসিসি (ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল) গী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱাৰ্ল্ড কপকী গ্রুপ (বি) গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা জিম্বাব্রেবু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীদুনা টিম অসিনা মাঙজৌননা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং গ্রুপকী মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাকপা ঙমদুনা রেকোর্দ থমখ্রে।

ঙসি ন্যু জিলেন্দগী সিটি মাউন্ট মোনগানুইদা লৈবা বে ওভেল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম অদুনা জিম্বাব্রেগী টিমগা লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী টোস জিম্বাব্রেনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০ গী মনুংদা ৪৯ গী অহানবা বোলদা টিম অদুগী স্কোর অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১৫৪ লৌখি।

জিম্বাব্রেগী ইন্নিংস অদুদা মরিশুবা বেটসমেন মিলটোন সুমভানা রন ৩৬ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী য়াম্না রন ওইখি। ওপনর ৱেসলি মাধাবিরিনা রন ৩০ লৌরম্বা অমদি কেপ্টেন লিয়াম নোহোলাস রোচানা রন ৩১ লৌরম্বা অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

জিম্বাব্রেগী মায়কৈদগী অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ১৫ য়ৌবা ঙমদনা আওট ওইখিবদগী টিম অদুগী ইন্নিংস অপীবা ওভর ৫০ মপুং ফানা শান্নবা ঙমদনা ৪৯শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৫৪ লৌখি।

জিম্বাব্রেগী বেটসমেনশিং অদুনা ইন্নিংস শান্নরিঙৈদা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট শান্নরোইশিং অদুগী মনুংদা বোলর ওইখিবা অনুকুল সধাকর রোয়না রন ২০ পীবদা বেটসমেন ৪ আওট তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

ইন্দিয়াগী টিম অদুগী মনুংদা অভিসেক শর্ম্মা অমসুং অর্সদীপ সিংহনা ৱিকেট ২।২ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু চাউনা মায় পাকপগী মতেং পীখি।

জিম্বাব্রেগী মায়কৈদগী রন ১৫৪ লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী শান্নরোইশিং অদুনা মেটচ অদু মায় পাক্নবা রন ১৫৫ গী টার্গেট লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌদোকখিবা বেটসমেন অনী হরভিক দেসাই অমসুং সুবনাম গিলনা শান্নরকপদা আওট ওইদনা শান্নরকপদা মায় পাকপগী রন ১৫৫ অদু ২২শুবা ওভরগী মরিশুবা বোলদা ফংদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা জিম্বাব্রেবু ৱিকেট ১০ দা থোইখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর হরভিক দেসাইনা বোল ৭৩ মায়োক্নবদা সিক্স অমগা ফোর ৮ য়ৈদুনা রন ৫৬ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী পার্টনর সুবমান গিলনা আওট ওইদনা বোল ৫৯ দা সিক্স ১৩ অমসুং ফোর ১ য়ৈদুনা রন ৯০ লৌরমখি।

## গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সনা মেঘালয়াগী শিল্লং লাজোংবু হিরো আই লীগকী মেটচ অমদা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে

*ভাস্কো, জনুৱারী ১৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি গোৱাগী ভাস্কো সিটিদা মফম অদুগী ক্লব চর্চিল ব্রদর্সনা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঘালয়াগী শিল্লং লাজোংবু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চর্চিল ব্রদর্স লীগ অসিগী টিম ১০ না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। অমরোমদা মেঘালয়াগী শিল্লং লাজোং ঙসিগী মেটচ অসিগী মাঙওইননা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

য়ুম্বু ওইখিবা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী শিল্লং লাজোংগা শান্নবা ঙসিগী মেটচ অদুদা শান্নবগী ঙল্লিঙৈ ৮শুবা মিনটতা মন্দে ওসাগেনা পাঞ্জল চন্দুনা শিল্লং লাজোংবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

শিল্লং লাজোংগী টিম অদুনা পাঞ্জল অমা শোখরবসু লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মমৈদা লৈরিবা য়ুম্বু চর্চিল ব্রদর্সপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা লীগ অসিগী টেবলগী মকোক থংননবগী ৱাখল্লোনদা মেটচ অদু মখা তানা শান্নরকখি। পাঞ্জল শোখরবা টিম অদু অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা পুংখায় অমা হেনবগী মতম অদুদা ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পুংখায় অমরোম হৌজিল্লবা ফাওবদা শিল্লং লাজোংগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমখিদে। অমরোমদা য়ুম্বু ওইখিবা চর্চিল ব্রদর্সনা কাউন্টর এটেক অমা ফংখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই পিএম ব্রিটোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখিবা অদুনা মেটচ অদু মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংলবসু চর্চিল ব্রদর্স হান্না ফংলম্বা পোইন্ট ৪ অদুদগী ৭ না থাক হাইগৎপা ঙমখিদে।

হয়েং লীগ অসিগী মেটচ অমদা মণিপুরগী নেরোকা এফসিনা মমাঙগী লীগ চেম্পিয়ন ওইরিবা মীজোরামগী আইজোলগা লম্বা তৌনগদৌরি। করিগুম্বা নেরোকা এফসিনা মায় পাকপা তারবদি মখোয়না ফংলিবা পোইন্ট ১৮ দগী ৩ হাপচিল্লগা পোইন্ট ২১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমগদৌরিবনি। অমরোমদা মেটচ ৮ শান্নবদা পোইন্ট ১৪ ফংলিবা আইজোল মায় পাক্লবদি পোইন্ট ১৭ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈগদৌরি।

India - I-League - Table

| # | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Minerva Punjab | 9 | 7 | 1 | 1 | 13 | 6 | 7 | 22 |
| 2 | East Bengal Club | 10 | 5 | 4 | 1 | 17 | 9 | 8 | 19 |
| 3 | Neroca FC | 9 | 5 | 3 | 1 | 12 | 5 | 7 | 18 |
| 4 | Shillong Lajong | 11 | 4 | 2 | 5 | 7 | 13 | -6 | 14 |
| 5 | Aizawl | 8 | 4 | 2 | 2 | 9 | 6 | 3 | 14 |
| 6 | Mohun Bagan | 9 | 3 | 4 | 2 | 13 | 7 | 6 | 13 |
| 7 | Indian Arrows | 11 | 3 | 1 | 7 | 9 | 13 | -4 | 10 |
| 8 | Chennai City FC | 10 | 2 | 3 | 5 | 8 | 13 | -5 | 9 |
| 9 | Churchill Brothers | 8 | 2 | 1 | 5 | 8 | 16 | -8 | 7 |
| 10 | Gokulam FC | 9 | 1 | 1 | 7 | 5 | 13 | -8 | 4 |

## স্পেনগী কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগতা রিয়েল মাদ্রিদনা লিগেন্সপু ১–০ দা থোইখ্রে

*লিগেন্স, জনুৱারী ১৯ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কিংস কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট মীয়াম্না কোপা দেল রে হায়নসু খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা মার্কো এসেন্সিয়ো*

মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা লিগেন্সনা অহানবা হাল্ফ অদুদা লাকশিনবা ঙমদনা লৈখি। লিগেন্সনা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ অদুগী অয়াম্বা মতম হৌজিল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। লিগেন্সকী মায়কৈদগী রিয়েল মাদ্রিদনা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা মশান্না অসিগী চৎন–পথাপকী ৱাংমদা বোল থিংনবা হোৎনরুবগীদমক অহানবা হাল্ফতা মখোয়গী শান্নরোই নাবিল এল ঝার য়েল্লো কার্দ ফংখি।

অনীশুবা হাল্ফতা লিগেন্সকী অতোপ্পা শান্নরোই অনী জেরাদ গুম্বাও অমসুং জোস নরাঞ্জোসু নিয়ম লান্না রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক থিংলুবগীদমক য়েল্লো কার্দ ফংখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী মার্কো এসেন্সিয়োনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিগেন্সপু ১–০ দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং মালেসিয়া মাষ্টর্সতা মায়থিখ্রে

*সিবু, জনুৱারী ১৯ঃ*

মালেসিয়াগী সিটি সিবুদা চথরিবা য়ুএসএ দোলর ১২০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া মাষ্টর্স গ্রান্দ প্রি গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি সাই প্রনিথ অমসুং নুপীগী দবলসকী পোনাপ্পা অমসুং সিক্কি রেদ্দি অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি সাই প্রনিথ ৱাৰ্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগী মখূত্তা ১৭–২১, ৮–২১ দা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌবনি।

নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী আশ্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দি দেনমার্ককী পেয়র কামিলা রাইটর ঝুল অমসুং খৃষ্টিনা পেদরসনগী মখূত্তা ১৫–২১, ১৫–২১ দা মায়থিদুনা মখা তাবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

## ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ ২০১৮, রুসিয়া টিমশিংগী প্রোফাইল –৬ (সাওদি অরাবিয়া)

### এল. কালা, উরিপোক

কিংদম ওফ সাওদি অরাবিয়া (অল মালিকা অল এরাইয়া এস সাওদিয়া) লৈবাক অসি পৃথিবীদা তুরেল চেন্দবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক্নি। সাওদি অরাবিয়াদা তুরেল লৈতে, তুরেল চেন্দে, মসিসু অঙকপা অমনি। কোনুংনা 'রিয়াধ' সহরনা ওই। অচৌবা মমিং লৈবা সহরশিংগী মনুংদা (১) মেক্কা (২) দাম্মান (৩) মেদিনা মিং পনবা য়াই। মরু ওইনা 'মেক্কা' পৃথিবীদা লৈরিবা মুসলিমশিংগী খ্বাইদগী শেংলবা মফম লাইফমলেন্দনি হায়না লৌনরিবা মফমনি। চহি অমদা পৃথিবীগী মফম কয়াদা খুন দারিবা মুসলিম ১.৫ মিল্লিয়ান্না মফমসিদা লাই খুরম্বগীদমক লাক্নরি। মশিংসিদি চাওরাকপা হায়রিবসিদগী চহি খুদিংগী হেনগৎলকলি (শক ২০১৬) সাওদি অরাবিয়া ২২,৫০,০৭০ স্কার কিলোমিটর পাক চাওবা অদুগা স্কোস্টলাইনন্না ২৬৪০ স্কার কিলোমিটর ওইবা লৈবাক্নি। মীশিংনা ২,৭৩,৪৫,৯৮৬ ওইবা (শক ২০১৫), লাইরিক হৈবগী চাংনা চাদা ৮৬.৬ ওইবা, চাম্মদা চাম্মা মুসলিম ওইবা অদুগা লাইফ ইক্সপেক্টেসন৭৩.১৩ ওইবা ওই। শোক ১৯৩২, সেপ্টেম্বর ২৩ দগী মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইদুনা লাক্লিবা লৈবাক্নি। লৈঙাক্কী মওং দি মোনারকি ওইনা অদুমক লাক্লি। সাওদি অরাবিয়া পৃথিবীগী ওইনা ক্রু ট ওইল পুথোকপদা অনীশুবদা লৈবা ওইবতা নত্তনা পেট্রোলিয়ম প্রদক খ্বাইদগী য়াম্না এক্সপোর্ট তৌবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইনা শেল–থুমগী ফিভম য়াম্না ফনা লৈবা, অকে অমৌদা য়াম্না পামজবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরিবা লৈবাক্নি। হায়নবা লৈ সাওদি অরাবিয়াগী নিংথৌ লুহোংবনা পৃথিবীদা খ্বাইদগী পৈশা খরচ তৌবা ওই হায়না। সুইয়েজ কেনেলনা থাও পুথোক পুশিনগী খ্বাইদগী চাওবা সিপ্পিং লম্বী ওইনা শিজিন্নবা ইরাক, ওমান, য়েমেন, য়ু এ ই, রেদ সি পরমিয়ান গলফনা ইকোয় কোইশিনবা লৈবাক্নি।



সাওদি অরাবিয়া পৃথিবীগী ওইনা ফিফা রেঙ্কিংদা ৬৩শুবা লৈবাক ওইনা ফুটবোলবু পামজনা শান্নজবা লৈবাক অমা ওইনা শক ১৯৫৬ তা সাওদি অরাবিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন লিংখৎতুনা নেস্নেল লীগ পাং থোক্তুনা নেস্নেল টিম শেমদুনা চহি সিমক্তদা ফিফা এফিলিয়েট তৌদুনা ফিফা মেম্বর ওইনা লাক্লি। শক ১৯৫৯ দগী এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনদা এফিলিয়েট তৌদুনা মেম্বর ওইনা লাক্লি। নুপীনা ফুটবোল শান্নবা অমদি অতৈ মশান্না কয়াদা য়াম্না কন্না চেকশিন্না অথিংবা থম্লম্বা হৌজিক্তি খর কোমথোক্তুনা নুপী ফুটবোল শান্নবা অমসুং নুপী ফুটবোল য়েংবা য়াবগী ফিভমদা খর কোমথোক্লবা ওইরক্লে। শক ১৯৯৪, ১৯৯৮, ২০০২, ২০০৬ ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ থংন–থংনা মরিরক য়াওবা ফংবা লৈবাক ওইজরবসু সাওদি অরাবিয়া ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ্তা মশক থোকপা ওইনা শান্নবদি ইঙম ঙমদনা লাক্লি। অদুবু ৱাৰ্ল্ড কপ মরিরক য়াওবা ঙম্বা অসিদা সাওদি অরাবিয়াদা খ্বাইদগী ফজনা শান্নবা ঙমখিবা ষ্ট্রাইকর অমা হায়বা তারবদি 'সামি তল–জাবর' মীয়াম্না জাবর হায়না খঙনবসি আরজেন্টিনাগী মারাদোনা, জরমনগী মিরসলেব ক্লোস গুম্না অখন্নবা শান্নরোইনি। মরিকক থংন–থংনা ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ শান্নবা ফংলুরবা মতুংদগী অমুক ২০১০, ২০১৪ অসি ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমদবদগী মতম অমদা নদরলেন্দগী শান্নরোই ওইরম্বা অদুগা কোচগী লম্বীদা খোঙদারকখিবা মমিং লৈরবা বর্ট ভান মারৱাজিক পু হায়নদুনা শক ২০১৫ গী সাওদি এরাবিয়া নেস্নেল টিম পায়হন্দুনা ২০১৮, রুশিয়া ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ শান্নবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা ট্রেন্নিং পীদুনা হোৎনবদগী ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া, শান্নবা অমুক ফংলবনা শান্নগদবগী ঙাইদুনা ফেংদুনা লৈরি। অদুবু করিনো হায়ফম খঙদবা অমদি সাওদি এরাবিয়া ফুটবোল ফেদদরেসন্না ৱাৰ্ল্ড কপকীদমক লিশাং শিংনা হোৎনরকখিবা কোচ বর্টকী কন্ট্রেক লোইরগা মখা শাংথদনা স্পেনগী ষ্ট্রাইক্কর শান্নরম্বা মশাগী চহি ৫০ শুরবা জাউন এনটোনিও পিজাবু অমুক নৌহৌনা সাওদি এরাবিয়া ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ ২০১৮ য়াওগদবা নেস্নেল দিফেন্দর অমদি গোল কিপর ৱালিদ অবদুলাই অনীদা চেকশিনবা মীয়েং থম্লগা অতৈ শান্নরোই কয়া তাসির, নাসির অল সামারানি, অল সালাউৱি ফোরৱাট ওইহন্দুনা দিফেন্সিপ ষ্টাইলদা, মীদ ফিল্ড পোসেসন শান্নদুনা ৱিংদা এটেক্কিং তৌদুনা গ্রুপ এদা লৈরিবা য়ুম্বু রুসিয়াগা ১৪–৬–২০১৮ দা মোস্কোগী লুজহনিকী ষ্টেদিয়মদা অহানবা ওইনা অকনবা লম্বা অমগা শান্নবা তারি। রাওন্দ ওফ উসস্তিন চঙবা ঙম্নবা মখোয়দগী ফিফা রেঙ্কিংদা থাক ৱাংনা লৈরিবা লৈবাকশিংগা করম্না শান্নবা য়েংসি।

## স্পেনগী রাফেল নদাল ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভেটস্‌ নুপীগী প্রি–ক্বার্টর য়ৌখ্রে



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

*মেলবর্ন, জনুৱারী ১৯ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি মেলবর্নদা চথরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী রাফেল নদাল মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলসতা ইষ্টোনিয়াগী শান্নরোই এনেট কোন্টাভেটসু মহাক্কী লম্বা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী দামির ঝুমহুরবু ৬–১, ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

নদালনা মরিশুবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী দি স্বাটসমেনগা লম্বা তৌনদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরিবা স্বাটসমেনন্না মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুক্রেনগী শান্নরোই এ দোলগোপোলোভবু ৬–৭(১–৭), ৬–২, ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভেটনা মমাঙ চহীগী ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন ওইখিবী লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৬–৩, ১–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা কোন্টাভেট প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কোন্টাভেটনা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোগা ক্বার্যর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি। নভারোনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ইষ্টোনিয়াগী কয়া কানেপীবু ৩–৬, ৬–১, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।



*লাটভিয়াগী ওষ্টাপেনকোবু মায়থিবা পীরম্বী ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভেট*

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা ফ্রান্সকী শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাগা অকনবা লম্বা অমদা অহুমশুবা রাউন্দ ৭–৬(৭–৫), ৪–৬, ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌনরগনি। দিমিত্রোভনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী শান্নরোই এ রুব্লেভবু ৬–৩, ৪–৬, ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ক্রোএসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা মারিন সিলিকনা য়ুএসএগী আর হেরিজনবু ৭–৬(৭–৪), ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই পি কারেনো বুষ্টাগা থেংনরগনি। বুষ্টানা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরবু ৭–৬(৭–৪), ৪–৬, ৭–৫, ৭–৫ দা থোইরমখি।

নুপাগী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেনগী কে এদমুন্দ অমসুং ইটালিগী এন্দ্রি সেপীগা শান্নরগনি।

নুপীগী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা হয়েং নম্বর টু শান্নরোই ওইরিবা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা সর্ভিয়াগী রাই বারিকোভাগা শান্নরগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানানা ফ্রান্সকী ভেসিলিনগা পেয়র ওইদুনা পোর্টুগালগী জুৱা সোসা অমসুং আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রবু ৬–২, ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী দবলস শান্নরোই দিভিজ সারননা য়ুএসএগী রজিব রামগী পেয়র ওইদুনা শান্নবদা স্পেনগী গ্রানোলর্স অমসুং ইটালিগী ফোগনিনিবু ৪–৬, ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।